এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ : ইনভাইরোনমেন্টেল হর্জাদ ওফ ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্ট হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

ইনষ্টিট্যুট ওফ সোসল রিছার্চ ইন দিভলপমেন্ট, ইম্ফালনা এন এস এস সেল য়ুনিট ৱান এন্দ টু এম জি কোলেজগা খুৎশম্নদুনা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙখি। নেলিট ইম্ফালগী প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়ার এস জুগেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টশিংনা হকচাংদা অকায়বা পীরিবা কয়াগী মতাংদা খঙবা ৱাৎলি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা শোকহনবা অমদি হকচাংদা শোকহল্লিবা কয়া অসি হন্থহন্নবগীদমক হিরম অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘এ জি, জুদিসিএল ওফিসর য়েলহৌমী ওইনা হাপ্পু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী এদভোকেদ জেনরেল অমদি মণিপুর হায় কোর্টগী গ্রেদ ৱানগী জুদিসিএল ওফিসর হাপ্পদা মপান্দগী য়েলহৌমী নত্তবা মীওই অমত্তা হাপ্পা য়ারোই হায়না এমসু অমদি এল এম এস লো কোলেজগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ঙরাং অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মহৈরোয়শিংনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি লৈঙাক লৈবগী কান্নদে, এ জি অসি মীতোপ্পা ওইহন্দ্রবদি য়ারোই হায়বা লৈবরা, য়েলহৌমী অমা ওইনা য়েলহৌমীগী ৱা ঙাঙবীয়ু অমদি থবক তৌবীয়ু। মীতোপ্পা এ জি ওইহল্লগা য়েলহৌমী ঐখোয়গী কান্নবা করিনো। রেস্পেক্ট মণিপুর ইন্দেন্ট এক্ট ১৯৪৭ হায়বা প্লে কার্দশিংদা ইদুনা পায়খি।

GAS TODAY

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:22/02/2017
Valid From: 11/02/2017
Stk :612
Timing: 07:00am - 10:00am
(Pls Submit Aadhaar Xerox)

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:11/02/2017
Valid From: 05/02/2017
Stk 14kg :306
Rate: Rs.884/-
Stk 19kg :50
Timing: 08:00am - 10:00am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:21/02/2017
Valid From: 18/02/2017
Stk :306
(Aadhaar Link Consumer Only)
Timing: 07:30am - 10:30am

IMPHAL LPG SERVICE
SI No. 57340
Booking Upto:08/03/2017
Valid From:23/02/2017
Stk:306
Stk 19 kg : 180
First Come First Serve.

JEMON GAS SERVICE, MAYANG IMPHAL
Booking Upto:18/02/2017
Valid From: 14/12/2016
Stk :918 (CTC)
Timing: 06:30am - 09:00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:24/02/2017
Valid From: 17/02/2017
Stk :918 (DBTL)
Timing: 07:00am - 11:00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO.: 1720
Booking Upto:18/02/2017
Valid From:16/02/2017
Stk:306
Timing: 07:00am - 11:00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:20/02/2017
Valid From:17/02/2017
Stk:306 (DBTL)
Timing: 07:30am -09:30am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:06/03/2017
Valid From:22/02/2017
Stk:306
Timing: 07:30am -11:00am

R&H, IRILBUNG
Booking Upto:13/02/2017
Valid From:31/01/2017
Stk:612
Timing: 08:00am -11:00am

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto:02/03/2017
Valid From:22/02/2017
Stk:612
Timing: 06:00am -10:30am

SAWOMBUNG INDANE
Booking Upto:24/02/2017
Valid From:11/02/2017
Stk:306
Timing: 07:30am -10:00am

HIYANGTHANG INDANE
SL.NO. UPTO 2416
Booking Upto:21/03/2017
Valid From:08/03/2017
Stk:306 (CTC)
Timing: 07:00am -10:00am

অৱাং-নোংপোক্তা টেক্স খোমগৎপগী চাং ৱাংখৎলে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস): ‘ওপরেসন ক্লিন মনি’না মরম ওইরগা কুমজা ২০১৬-১৭ তা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিং দাইরেক্ট টেক্স খোমগৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। নেসনল এভরেজদগী অৱাং-নোংপোক্লা চাদা ১৭কী চাংদা টেক্স খোমগৎপা হেনগৎলকখি।

মমাঙগী চহীগা য়েংনবদা কুমজা ২০১৬-১৭ তা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা দাইরেক্ট টেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ১৪ হেনগৎলকখি। অদুবু অৱাং-নোংপোক্তদি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা দাইরেক্ট টেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ১৭ হেনগৎলকখি।

সিনিয়র ইনকম টেক্স ওফিসল অমনা অসাম ট্রিব্যুনদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৫-১৬ তা ইন্দিয়া পুম্নবগী ওইনা লুপা ক্রোর ৭,৪২,০০০ দাইরেক্ট টেক্স ওইনা খোমগৎখি। কুমজা ২০১৬-১৭ তদি লুপা ক্রোর ৮,৪৮,০০০ খোমগৎপা ঙমখি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা মমাঙগী চহীগা য়েংনবদা কুমজা ২০১৬-১৭ তা দাইরেক্ট টেক্স কলেক্সনগী চাং চাদা ১৪ হেনগৎলকখি।

অদুমওইনমক অৱাং-নোংপোক্তদি মমাঙগী চহীগা য়েংনবদা কুমজা ২০১৬-১৭ তা দাইরেক্ট টেক্স কলেক্সনগী চাং চাদা ১৭ হেনগৎলকখি। কুমজা ২০১৫-১৬ তা পূন্না লুপা ক্রোর ৫,১৯৮ দাইরেক্ট টেক্স ওইনা খোমগৎপা ঙমখি। কুমজা ২০১৬-১৭ কী ওইনদি লুপা ক্রোর ৬,০৯২ খোমগৎপা ঙম্লে হায়রি।

সিনিয়র ওফিসল অদুগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওংনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক্তা দাইরেক্ট টেক্স কলেক্সনগী চাং ৱাংখৎলকখিবনি। দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না টেক্স থীবগী চাং হেনগৎলকখি। দিমোনেটাইজেসনগী থৌশিলনা মীয়াম্বু মতম চানা ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবগী তঙাইফদবা অদু ময়েক শেংনা খঙহনখি। মদুনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক্তা দাইরেক্ট টেক্স কলেক্সনগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

‘ওপরেসন ক্লিন মনি’গী মতাংদা ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, লাক্কদৌরিবা চহী খরা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথখিগনি। থৌরাং অসি মপুং ফানা পায়খৎপদা মতম খরা চঙখিগনি। ব্লেক মনি অমসুং জালি নোটকী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংদি লেপ্তুনা অদুমক চথরগনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক মীওই খরনা টেক্স থীখিদবগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোইশিনবদা মতম খরা চঙগনি।

হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবগী মওং পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি চাদা ৯৯ ওনলাইনদা রিটর্নস ফাইল তৌরে। ইনকম টেক্সকী ওফিসলশিংগা উনবা মথৌ তাদবা মরম্না অরায়বা মওংদা রিটর্নস ফাইল তৌবা য়ারবসু চথরিবা থৌওং অসি মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙমগনি। কনাগুম্বনা টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবদা অশোয়বা য়াওহন্দনবগী মতাংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ইমপ্লোয়রশিং, মরুওইনা প্রাইভেট সেক্টরদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা হোৎনরি।

হেপটাইটিস সী প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস): কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন)না হেপটাইটিস সী প্রোজেক্ট ফেজ টু লোঞ্চ তৌখ্রে।

কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন) গী হেপটাইটিস সীগী প্রোজেক্ট অসি ঙসি লোঞ্চ তৌখি। লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কোনগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তনা হায়খি, মালেমগী ওইনা হেপটাইটিসকী কেস কয়া থোরক্লি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ১০০ গী মথক্তা হেপটাইটিস সীগী অনাবা লৈরমগনি হায়না পারি। ঐচ আই ভিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওই কয়াদা কো ইনফেক্সন থোকপগী ফীভম কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা হিরম কয়া অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ঐচ আই ভিগা লোয়নরিবা মীওই কয়াদা হেপটাইটিস সীগী অনাবা মায়োক্লরকপা অসিসু য়াম্না চেকশিন্না য়েংবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেপটাইটিস সীগা লোয়ননা হিংলিবা মীওই কয়ানা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা ডা. এল সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, হেপটাইটিস সীগী ট্রিটমেন্টকী মতাংদা অনৌবা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লি। স্কিম অসি মপুং ফানা পায়খৎলক্লবদি হেপটাইটিস সীগী লায়েংবদা হেন্না খুম্মাং চাউশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্কী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. দব্লিনা ফোঙদোকখিবদা, হেপটাইটিস সীগী ট্রিটমেন্ট তৌবগী মতাং অসিদা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা সপোর্ট তৌবা তঙাইফদে হায়নসু থমখি। শিজ হোস্পিটালগী কন্সল্টেন্ট ডা. লোংজম গোল্ডিসু থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

পুলিস কন্সটেবলগী ইন্টরভিয়ু অথুবা মতমদা হায়দোকউ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহীদা মণিপুর লৈঙাক্লা পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ইন্টরভিয়ু অদু লাক্লিবা মে ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা হায়দোকপীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চথরগনি হায়না থানিল সাইখোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ন্যু সিবিল রিক্রুটমেন্ট ফ্রেস বেজ ২০১৬ সাইখোমচানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৩ দা কৌখিবা দি পি সী অদু মমাঙ চহী ২০১৬ গী ওগষ্ট ২০ দগী ককখ্রবনি। ককখ্রবা মতুং ওগষ্ট ৩০ দা ফিজিকেল টেষ্ট হৌখিবনি।

কুমজা ২০১৬ ফ্রেশ ওইনা কৌখিবা থবক অদু চহী অদুগী মে ১১ দা নোটিফিকেসন থোক্লগা জুনদগী ফিজিকেল হৌখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ৫ দা ভিভা লোইখিবনি। সেনিরিটি রোমদা মেনদা অনিমক ২০১৬ ওইবনা ঐখোয়না রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চহী হৌবা অমদি লোইবা হানখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাঙথোকখিবা দি পি সী অদুগী মতাংদা থা অসিগী হৌখিবা ১০ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা মহাক্কী ওফিস কাদা উনবদা অথুবা মতমদা হায়দোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি। মরম অদুনা লাক্লিবা মে ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা রিজল্ট হায়দোকপীয়ু হায়রি। করিগুম্বা টেন প্লস টুগী পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ইন্টরভিয়ু অসি হায়দোকপীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চথরকপা য়াই হায়রি। মরকসিদা, ঙসি নুংথিল দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারদা পুলিস কন্সটেবলগী দি পি সী হায়দোকপীনবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

ককচীং খুন্নৌগী ওফিসশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭(ঐচ এন এস) : ককচীং খুন্নৌগী ৱাখল্লোন মান্নবা নহাশিংনা হন্দক্তা শেমখিবা অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা ককচীং খুন্নৌ য়ুথ ফোরমগী মেম্বরশিংনা ককচীং খুন্নৌদা লৈবা প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা অৱাৎ অপা য়েংশিল্লুবদা পি ঐচ সী অসিদা অৱাৎ-অপা থন্না লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

য়াম্না মরুওইরিবা হেল্থ সেন্টর অসিদা এম বি বি এস লোইরবা ডোক্তরগী অৱাৎপা লৈরম্বা থেংনখি। হোস্পিটাল অসিদা ২৪/৭ চলাইনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা এম বি বি এস ডোক্তর মশীং মরি লৈবা তাই। অদুবু শুপ্পতগী এলোপেথিগী ডোক্তর অমা অমসুং আয়ুশকী ডোক্তর অনী লৈরম্মী। নাইট দ্যুটি লৈজদবা অদুবু মতেং পাংবা ওইনা আয়ুশকী ডোক্তরশিংনা শিন্নদুনা ডোক্তর অহুম অসিনা ২৪/৭ চলাইদুনা লৈরম্বা থেংনখি। করিগুম্বা মতমদা পৱার বেকঅপ তৌনবা ইক্কুইপমেন্টকী অৱাৎপা লৈরম্বা থেংনখি। ইমার্জেন্সি লাকপা মতমদা অৱাবা কয়া থেংনবগী রিপোর্টসু ফংখি। হেল্থ সেন্টর অসিগ চৌকিদার অমদি স্বিপরগী অৱাৎপসু লৈরমখি। মরম অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি কল্লিবা হেল্থ সেন্টর অসিগী অৱাৎ-অপা লাক্লিবা মে ৫ ফাওবগী মনুংদা য়েংশিনবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ফোরমগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

ককচীংদগী ৱাবগাই ফাওবগী লম্বী শেম্লগনি : ৱাই সুরচন্দ্র

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭(ঐচ এন এস) : ককচীংদগী ৱাবগাই ফাওবগী লম্বী শেমজিন-শাজিন্নবগীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১৮ কায়থোরক্লে। অথুবা মতমগী মনুংদা লম্বী শেম্বগী থবক হৌরগনি হায়না ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচীংদগী ৱাবগাই ফাওবগী লম্বী পরিং অসি য়েংশিনবগী খোঙচৎ চৎলবা মতুংদা ঙসি পাউমীশিংদা এম এল এ সুরচন্দ্রনা হায়খি, হৌজিক নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা লম্বী অসি খুদক্তগী শেমজিনবা হৌবা য়ারোই। অদুম ওইনমক লম্বী অসি চখোক-চৎশিন তৌবা য়ানবা শেমজিনবদি হৌরগনি। লম্বী য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসলশিং অমদি ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীল্লরশিংসু শরুক য়াখি।

দি জি পিগী ৱাফম য়ানিংদে : কে আর এ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ : ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা থা অসিগী ১৮দা কনভোয়গা লোয়ননা ইম্ফাল তম্না লাকখিবা ওইল টেঙ্করশিংদা এটেক তৌরকপগী থৌদোক অদু কুকি রেভল্যুসনরি আর্মি (কে আর এ)গা মরী লৈনৈ হায়না দি জি পি মণিপুরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ানিংদে হায়না কে আর এগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী টি সিমতেনা ফোঙদোরক্লি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী চঙৌবুং অমসুং এস গোলাইগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক অদু ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌরগা ওইল টেঙ্করশিংনা ইম্ফাল তম্না পুথোরকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। কে সী পিগী পিপলস ৱার গ্রুপনা চথখিবা থৌওংনি হায়না মমাঙদা ক্লেম তৌরকখ্রবনি। কে এ আরদি সুগী সিগ্নেটেরি অমা ওইরিবনি হায়রি।

পাউমী অনীগী থৌওং হায় কোর্ট বার…

লামায় ১গী মখা… মনুংদগী ৫ সু লৈখিদ্রে। হন্দক ষ্টেটসিগী তোঙানবা হায় কোর্ট অমা লৈজরবা মতুংদা এদভোকেট জেনরেলগী ফমসু লমদমসিগী মতিক চাবা মীশকশিংদা পীবীনবা উকিলশিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। খোঙজং অসিবু মনুং হুৎনা য়েংদুনা অফ-ফত্তা নৈনবগী মহুত্তা মণিপুরদা লৈরিবা উকিলশিং মতিক চাদে, শেঙ্গা-থুমজা কা হেন্না চথবগা লোয়ননা কেস অমত্তা মায় পাক্লা লোইশিনখিদে। মরম অদুনা নন-মণিপুরী ওইরবসু মতিক চাবা মীশক্তা ফমসি পায়হনগদবনি হায়খি।

পাউগী মীফমদুদা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এদভোকেট এন জি জোতিন্দ্র লুৱাংনা হায়, এদভোকেট জেনরেল হায়বসি হায় কোর্ট অমদি এদভোকেট ময়ামগী লুচিংপুরেলনি। লমদমসিগী লৈহাও মশক খঙবা অমদি উকিলশিংগা মরী লৈনবা মতিক চাবা মীশক হাপ্পবা খোঙজংবু সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অনীনা ইন্টিগ্রিটি লৈতবা অমদি য়ুনিটি লৈতবদৌনা উহল্লে।

থৌওং অসিবু হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা এসোসিএসনগী থৌমীশিং য়াওনা লমদমসিগী এদভোকেটশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং (২৬-০৪-২০১৭) গী পুং ৩ দা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমদুদা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অনীগী ৱাহৈ ৱাতাবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ৱারেপ ৩ লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, ইরেস্পোন্সিবল এন্দ দিফেমেটোরি ষ্টেটমেন্ট পীখিবা নহারোল থৌদাং পাউ-চেগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপা অমদি টেলিগ্রাফ পাউ-চেগী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট খেল্লেন থোকচোমগী ৱাফমশিং অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌবা। সিনিয়র এদভোকেট, আর কে নোকুলসনানা চ্যেরমেন ওইবা মীওই ৮ না শাবা এদভোকেট কম্মিটি অমা শেমদুনা হিরমসিগী মতাংদা মখা তানা কুপ্পা থিজিনবা লোয়ননা অরোইবা ৱারেপতা কম্মিটি অসিনা নুমীৎ ১০ নিগী মনুংদা মীওই অনীসিগী মথক্তা করি করম্বা লীগেল এক্সন লৌখৎকদগে হায়বগী ৱারম পুম্বা বার এসোসিএসনদা পীখৎলক্নবা লেপ্পখি। লমদমসিগী মীয়াম্না হিরমসিদা মীৎয়েং চঙবীনবা মহাক্লা মখা তাখি।

লৈখাদগী নুঙ লৌথোকখ্রে…

লামায় ১গী মখা… হোস্পিটালগী পাউনা হায়, নুঙ অদু মিলিমিটর ৪ রোম চাওই। অনাবা অদু ময়াং ইম্ফাল হঙ্গুন য়াংবীদগী থিয়াম দেবেন (৩৫), অপোকপগী মিং থিয়াম কোমোল কৌই। মহাকপু লায়েংখিবা দোক্টর অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হকচাংদা নুঙ লৈবগী থৌদোক অসি গোল ব্লাদর নৎত্রগা কিদনিনচিংবা খক্তদা নৎতনা লৈখাদসু অদুমক লৈবা য়াই। মসি মালেমগী মফম অতৈদসু অদুমক থোকই। ঐখোয় মীওইবনা চাশিন-থকচিনখিবা চীঞ্জাক্তগী পোৎলম অসি ওইরকখিবা য়াই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

মীয়ামগীদমক পুখৎপা পি আই এল…

লামায় ১গী মখা… থিগৎহন্ননবগী থবক তৌদবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। মহাক্লা মখা তানা হায়খি, পি আই এল নম্বর ৩০ অমসুং ৩১গী হিয়ারিং ঙসি কোর্টতা চথনবা লেপখ্রবসু লাক্লিবা জুন ১৫ দা য়ৈথোকখ্রে। হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট থাদা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস), লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (এল দি এ), কঞ্জুমরস এফ্যেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্ট অমদি সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী অঙ্গনৱাদিগী মতাংদা পি আই এল মথং-মথং থাখিবা লৈখ্রে। পি আই এলশিং অসি মায় পাক্লনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু।

ইপসানা শীন্দুনা মফম কয়াদা অমম্বা…

লামায় ১গী মখা… মণিপুরগী মায়থীরবনি হায়বগী ৱাখল্লোনশিং লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, সোসল ওর্গনাইজেসনবু ওইরো, পোলিটিসিয়নবু ওইরো, পুম্নমক অসিগী হিমায় চুমগদৌরিবসি মীয়ামনি। মীয়াম হৌদনা ঈহৌ অমত্তা মায় পাক্লোই। মীয়ামগী খুৎতা লোইনা লৈ। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরকখ্রবা লান কয়া থোক্লকখিবগে হায়বসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা লুৱাংচা চৌঙ্খোনা হায়খি, ঙসিগী মীরোলনা কংলৈ খুন্নাইগী পুৱারী নীংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা থৌদাং কয়া য়ামিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সন অমদি ৱার্ল্দ থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। অমরোমদা, নোর্থইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটিনিসু ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পাঙথোকখিবা দার্ক দেগী থৌরম অদুবু নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটিনিসু শৌগৎলি হায়না লূপ অসিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

গেঙ রেপতা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু…

লামায় ১গী মখা… চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা খঙমিন্নবা, পোস্কো এক্ট অমদি জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী মতাংদা খঙমিন্নবা অসিনচিংবা কয়া য়াওরি।

ঙসি ইমা খুন্থোকহানবী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট দেবাননা হায়খি, মণিপুরদা নুপী-অঙাংদা চথবা ক্রাইম কয়া লেপ্তুনা থোরক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লৈঙাক্লা মীয়ামগী খোল্লাউ অসি তাবীয়ু। ষ্টেট অসিগী নহাশিংগী মোরেল হন্থরকপা থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্লা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, মণিপুরদা নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিং হেনগৎলক্লিবা অসি থিংনবা পুলিস অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হোৎনফম থোকই। নুপীদা চথবা ক্রাইম হন্থহন্নবগীদমক লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্লা চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রোংমৈ লুফোমগী প্রসিদেন্ট পন্তি গোলমৈনা হায়খি, লমদমসিদা নুপী-অঙাংশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি থিংনবা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নবা মতম ওইরে। ষ্টেটসিদা নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথবা ক্রাইম কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। তুংদা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা ক্রাইমশিং অসি থোকহন্দনবা ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা মতম য়ৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কোর কম্মিটি এগেনষ্ট দ ফক্কুং গেঙ রেপকী কনভিনর এন জিবনমালানা হায়খি, নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিং লেপ্তুনা থোরক্লিবা অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্লা খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। হন্দক্তা থা অসিগী ১৪ দা থোকখিবা থৌদোক অসিসু য়াম্না লাইবক থীবনি। থৌদোক অসিদা ভিক্তিম ওইরিবশিংগীদমক লৈঙাক্লা পাংবা য়াবা মতেং পাংহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কে এস ও, ইম্ফাল য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট সোসোন বাইতে, অজাগী এদিটর ভেলি রোজ, অম্মোক্কী প্রসিদেন্ট জলাল, ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সিতারা বেগম, ইকলগী প্রসিদেন্ট লুৱাংলৈমা অমদি তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মরুওইবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ইমাদি ঙকশম য়ৌরে ফোঙলগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭: পেত্রিওটিকরাইটরস ফোরম মণিপুরনা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা লাইরিক ফোঙবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা এম কে শরোজ খাননা ইবা *ইমাদি ঙকশম য়ৌরে* হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙলগনি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা সগোলশেম ইন্দ্রকুমার ফোর্মর ষ্টেসন দিরেক্টর দি দি কেন্দ্রা চীফ গেষ্ট, পি এ দব্লিয়ু এফকী প্রসিদেন্ট রঘু লৈশাংথেমনা প্রসিদেন্ট অমসুং এম দি অব্দুল কলাম দেপ্যুটি দিরেক্টর মণিপুর ষ্টেট অর্কাফট গৱর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি হায়রি।

ইমাদি ঙকশম য়ৌরে হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী মরমদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. এম প্রিয়োবর্ত্তনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা নৈনগনি। নীংশিংবা য়াবদি লাইরিক অসিগী অইবা শরোজ খান পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী হন্দক্তা ফমখিবা জেনরেল বোদি মীফম্না লাইফ মেম্বর ওইনা শকখঙখিবা ফোরম অসিগী লাইফ মেম্বর ১৫০ হেনবগী মনুংদা মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা নাইতোম ওইনা য়াওবা লূপলোইনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭(ঐচ এন এস) : গুরুময়ুম বাগেন্দ্র, উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদবদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অমসুং ডা. মিত্রানি ফাউন্দেসন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা কুমজা ২০০১ সংস্কৃত ভুষণ উপাধি পীখ্রবা মণিপুরগী মশক নাইরবা মনোহরসাইগী শৈশকপা গুরুময়ুম বাগেন্দ্রনা থা অসিগী ২৩ দা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট থোইদিংজম তোম্বীনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙসি পরিষদকী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা মীনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মতম পুম্নমক্তা ঈং-চিক্লা লৈনবা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজখি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীদগী কুমজা ১৯৮১ দা ফেল্লোশিপ ফংখি অমসুং অকাসবানি ইম্ফালগী মনোহরসাইগী এপ্রুব আর্টিষ্ট অমনি।

অমরোমদা, মিত্রানি ফাউন্দেসন, উরিপোক খাইদেম লৈকায়গী মতম শাংনা প্রসিদেন্ট ওইরম্লবা গুরুময়ুম বাগেন্দ্রনা লৈখিদবদা ফাউন্দেসন অসিগী থৌবুরোয়শিংনা মীনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

গুরু অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিত্রানি অসিনা শিল-লাংদুনা মনোহরসাইগী ঈশৈগী ওইবা থৌগল অমা থা অসিগী ২৭ দগী মে ২ ফাওবা নুংথিল পুং ২ তাবদা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় গুরুময়ুম মান্দপতা পাঙথোক্লনি হায়রি।

অমরোমদা, হিজম রোমোনিনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট থোইদিংজম তোম্বীনা থৌর মপু ওইদুনা পরিষদ অসিগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মণিপুরী ঠিএটর, ফিল্ম, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী হিরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। সাহিত্য সেবক হায়বা মিংথোল পীদুনা কুমজা ২০১১ দা সাহিত্য পরিষদনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। ঠিএটর সেন্টর মণিপুর, ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর লিংখৎপদা মরুওইবা থৌদাং য়াখি। মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী বোর্দ দিরেক্টরগী মেম্বরসু ওইরম্মী।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সাপম গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ১ দা মেম্বর ওইনা থৌ পুবীরম্বা লাইশ্রম শ্যামনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা এপ্রিল ২৪ দা লৈখিদবদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মেম্বর অমসুং প্রধাননা পঞ্চায়টঘরদা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্লুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরল্লেন্দা মতম পুম্নমক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা থৌনিজখ্রে হায়না সাপম গ্রাম পঞ্চায়ট, থৌবাল সী দি ব্লোক্কী প্রধান্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘কম্পেনি থিংলে’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭(ঐচ এন এস) : মণিপুরদা থবক ফংদবগী তাঞ্জা লৌদুনা এফ দি সী কম্পেনি প্রাইভেট লিমিটেদ হায়না মিংথোনবা কম্পেনি অসিনা মণিপুরগী মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা থবক ফংহনগনি হায়না হোৎনরক্লিবা থৌওং অসি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদ্দরেসন (এম এস এফ)কী একাদেমিক কেম্পেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বসিদা চাউনা অকায়বা পীরকপা মরম্না কম্পনি অসি থিংজিল্লে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঈ আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হফিজ হট্টাদা লৈবা কম্পেনি অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর, শোপ ওর্নর অমসুং জেনরেল মেনেজরনচিংবা মীওইশিং নুমিৎ নিনি ফাওবগী মনুংদা এম এস এফকী ওফিসতা লাক্কদবনি হায়রি।

আর্মিগী মতিক ময়াই হন্থহন্নবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা পিটিসন লৌখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ : আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা) চৎনরিবা মফমশিংদা আর্মিনা লৌরিবা থৌদাং পুলিসতা থিগৎহন্নবগী মতাংদা পীখিবা ৱায়েল অমা শিংনরদুনা থাঙ্গৎলকপা সেন্ট্রল গৱর্ণমেন্টকী ক্যুরেটিব পিটিসন সুপ্রীম কোর্টনা লৌখিদ্রে।

চীফ জষ্টিস জে এস থেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, ওপন কোর্টতা ক্যুরেটিব পিটিসন হিয়ারিং চথনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম য়াফম থোক্তে। মণিপুরদা এক্সত্রা জুদিসিএল ওইবা মওংদা চথখিবা মীহাৎশিংগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা এপ্রিল ১২ দা পীখিবা ৱায়েল অমনা আর্মিগী মতিক ময়াই হন্থহনবা মরম্না কোর্টকী ৱায়েল অদু খোঙফম হন্দোকপীনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ক্যুরেটিব পিটিসন ফাইল তৌখিবনি।

মমাঙ চহীগী জুলাই ৮ দা পীখিবা ৱায়েল খোঙফম হন্দোকপীবগা লোয়ননা রিভিয়ু পিটিসন দিসমিস তৌখিবগী থৌওং খন্থবীনবা ৱাকৎলদুনা ক্যুরেটিব পিটিসন অদুনা হায়খি মদুদি, লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা মফমশিংদা আর্মিনা ওপরেসন চথবদা কোর্টকী ৱায়েল অদুনা খুরৌ থাংহল্লে। কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্দা শরুক য়ারিবা আর্মদ ফোর্সেসকী মীওইশিংদা ঙাক্লৌ পীবা মথৌ তাই হায়নসু ৱাকৎখি।

এতোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাটগিনা হায়খি, জম্ম্যু এন্দ কাশ্মির অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা মথৌ তৌরিবা আর্মি পার্সনলশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামরক্ম মায়োক্লরি। এপেক্স কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা আর্মিগী থবক থৌরমদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লগনি। লালহৌবা লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচানবগীদমক কোর্টকী ৱায়েল অদু হন্দোকপীনবা পিটিসন অদুনা হায়জখিবনি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ,
জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম
লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৮-০৪-২০১৭, ইরাই, কালেনগী ২ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ১০.৫২ দগী ৩ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি অৱাং, অয়ুক্কী পুং ১০.৫২ দগী মৈরম

মেষ ঃ শাউনিংবা পোকপা, ইমুংগী মীওইনা য়েংথিবা, লাংতক্লবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

বৃষ ঃ মফাং মফাং খনগনি, মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হীদান্নবা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মঙলান্দা তাওগনি, নুংঙাইজবা লৈ।
হকচাং ঃ উনসা, পুক্তা অশোনবা লাক্কনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

মিথুন ঃ নুংঙাইজবা, থবক্তা মায় পাকপা লৈ, মরুপনা য়েক্লবা ওইবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্লিং নিংদোল পোমগনি।
হকচাং ঃ নুংঙাইবা মতাংনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কর্কট ঃ মীনা চানবীবা, অনৌবা মরুপ মপাং য়াম্বা, কান্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরাপ্পা লমদা শকখঙবীবা লৈ, ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবনা নুংশিবীগনি।
হকচাং ঃ ঈগী মরীদা শোন্থবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙৌবা।

সিংহ ঃ মীনা শিংথাদবা, খঙহৌদনা অকাউবা পীবা, ঈকায়বা নংবা লাকপা লৈ, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনদবা লৈগনি, পূক্লিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ মীৎতা মৈদগী খরা চেকশিনবীয়ু।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, কোরি কৎপীয়ু।

কন্যাঃ থবক্তা চাউখৎপা লৈগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্লবা য়ামগনি, অরু অনানগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

তুলাঃ শাগে নাতৈগী মীওইনা নুংশিবীবা লমদা চৎননবা পীবা, খুরৌ থাংবা লৈ।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিবা লৈ।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী শোনগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

বৃশ্চিক ঃ মথক থোংবগা মুক্লবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ খুৎশু খুৎলাই, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মাঙদনা অমা তুংদনা অমা ওইরি।
হকচাং ঃ কোক, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

ধনু ঃ নীংবনা অমা তৌবনা অমা লৈগনি, ইমুংদা চরাংনবা লৈ, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোয়নবনা চানবীবা ওইরি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

মকর ঃ অশাউবনা অমাঙবা লাকপা, থবক তৌবদা অনীরক হনবা লৈ, পূক্লিং তপ্পা চৎপা কান্নগনি।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অরোনবা ৱাখল লাক্কনি, তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ পূক খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা চন্দন।

কুম্ভ ঃ শাউনবা, মীনা তাথিবা, তৌরুবা থবক্তা অনীরক হনবা লৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক, ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্লিং চুংশিন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায় মীৎ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

মিন ঃ নুংনাংবা, করি তৌসিগে খনবা লাক্কনি, শেলগী কান্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরু অনানগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপথোক্লবা পীরি, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
হকচাং ঃ শিংলি নাওরি, কোক নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION IS GOING ON
FIRST BATCH
CLASS XII & CLASS XI (Foundation Course)
Physics, Chemistry, Maths, Biology & English (COHSEM / CBSE)
Some Seats are lying vacant, first come first serve.
SECOND BATCH
CLASS XII, CLASS XI & CLASS X
(COHSEM / CBSE / BOSEM)
Class Commencing from 8th May, 2017
Seats are limited, first come first serve.
Morning Batch (5.00– 8.00) A.M.
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction, Imphal.
HL-B/3830/24-4/24-5